# এ আরনা শীন্দুনা দ্রগ এব্যুজকী মতাংদা এৱার্নেস পাঙথোকখ্রে

আইজোল, জুন ২৭ (এজেন্সী):

সরচিব বটালিয়নগী ২৩ শুবা অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা ঙরাং ইন্তরনেস্নেল দে এগেন্স দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইলিসিট ত্রাফিক্কিংগা মরী লৈননা সরচিপতা দ্রগ এব্যুজকা মরী লৈনবা এৱার্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

অসাম রাইফলসকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা মিজে ারামদা অলকোহোল শীজিন্নবদা মপুং ফানা অথিংবা থমখ্রবা মতুং ষ্টেট অদুদা দ্রগ শীজিন্নবগী চাং য়াম্না হেনগৎলক্লি।

অসাম রাইফলসকী মায়কৈদগীসু ষ্টেট অদুদা নীয়ম লান্না ময়াই কাবা চীঙ্গাকশিং লল্লোন ইতিক তৌবগী থবক চত্থরিবা মীওইশিং ফাবগী থবক অকনবা মওংদা চত্থরি। অদুমওইনমক ইন্তরনেস্নেল বোর্দরগী শরুক্তা লৈরুবনা মরম ওইরগা মিজে ারামদা দ্রগ থিংনবা হোৎনবদা অচৌবা প্রোব্লেম অমা ওইরি। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা চহী নৌরিবা নহাশিংনসু দ্রগতা লাইচুবগী চাং হেনগৎলক্লি। নহাশিং অসিবু অফবা মায়কৈদা পুরক্নবা হোৎনবগী পান্দমদা এৱার্নেস প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকখিবনি।

অসাম রাইফলসনা মিজে ারামদা লৈরিবা ইনখৎলক্লিবা নহাশিং য়ারিবৈমখৈ ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী ঈপাক্তকগী কন্নবা হোৎনগনি। হান্নদগী হৌনা অসাম রাইফলসনা দ্রগ শীজিন্নবগী মায়োক্তা লেপ্পুনা লাক্লি।

অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা ঙসি সরচিবদা পাঙথোকখিবা এৱার্নেস প্রোগ্রাম অদুদা মেদিকেল দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবা ওফিসলশিংসু শরুক য়াখি। ওফিসলশিং অদুনা এৱার্নেস প্রোগ্রাম অদুগা মরী লৈননা নহাশিংনা দ্রগকী মতাংদা তৌগদবা অমদি তৌরোইদবা কয়াগী মতাংদা ফোঙদোকখি।



ক্ষেত্রিগাও এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী ইনটেন্দিং কেন্দিদেটসু ওইরিবা এন পি পি মণিপুর ষ্টেটকী জেনরেল সেক্রেটরি সৈখ নুরুল হাসন এলিয়স সনায়াই অমদি মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা এ সী অদুদা লৈবা কোভিদ-১৯ না অৱাবা তাহল্লবা ইমুংগী মীওইশিংদা তেংবাঙগী পোৎলম য়েন্থোকখিবা

# মেঘলয়াদা কোভিদ-১৯ কেস চাদা ৯০ হেন্না দেলটা ভেরিয়েন্টনা থোকহল্লি: ষ্টেট গভর্ণমেন্ট



শিলোং, জুন ২৭ (এজেন্সী):

মেঘলয়াদা থেংনরিবা কোভিদ-১৯ কেস অপুন্বগী চাদা ৯০ হেন্না দেলটা ভেরিয়েন্ট (ভেরিয়েন্ট ওফ কন্সর্ন) না থোকহনবনি হায়না ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট অসিগী হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যর দিপার্টমেন্টকী প্রিন্সিপল সেক্রেটরি সম্পদ কুমারনা হীরম অসিগা মরী লৈননা হায়, জিনোম-সিক্কেন্সিং সেম্পলশিংগী মতুং ইন্না মেঘলয়াদা দিটেক্ট তৌরিবা কোভিদ-১৯ কেসশিংগী চাদং ৯০ হেন্না দেলটা ভেরিয়েন্টনা থোকহল্লি।

মসিনা মরম ওইদুনা মীপুম খুদিংমক্না মশা মশাবু অমসুং মখোয়গী ইমুং মনুংশিংবু লায়না অসিদগী ঙাকথোক্নবগীদমক্তা য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তাহল্লি। ষ্টেট অসিদা থেংনরিবা কোভিদ-১৯ কেসশিং করম্বা ভেরিয়েন্টশিংনা থোকহনবনো হায়বগী মতাংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা অশেংবা মরমশিং লোৎশিন্দুনা থল্লি হায়বা রিপোর্ট অমা নোর্থ ইষ্ট নাওনা ফোঙখ্রবা মতুং নুমিৎ খরনি লৈরগা মেঘলয়া গভর্ণমেন্টনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মমাংদা মেঘলয়া হেল্থ দিপার্টমেন্টনা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্কী দি সীশিংদা থাখিবা লেটর অমদা য়ুম্ফম ওইরগা নোর্থ ইষ্ট নাওনা রিপোর্ট তৌখি মদুদি ষ্টেট অসিদা দেলটা প্লাস ভেরিয়েন্ট থেংনবগী মতাংদা ষ্টেট গর্ণমেন্টনা ফেক্টশিং লোৎশিন্দুনা থম্বা মাল্লি।

ষ্টেট অসিদা থেংনরিবা কোভিদ-১৯ কেসশিংদা দেলটা ভেরিয়েন্ট য়াওই হায়না দি সীশিংদা থাবা লেটর অদুদা হেল্থ দিপার্টমেন্টনা পনখি। সেন্তরনা হন্দক্তা দেলটা ভেরিয়েন্টপু ভেরিয়েন্ট ওফ কন্সর্ল্ট অমনি হায়না লাউথোকখ্রবনি। মেঘলয়া গভর্ণমেন্টনা ভেরিয়েন্ট অসি থেংনবগী ৱাফম লাউথোকখিবা লৈত্রবসু অহানবা ওইনা ষ্টেট অসিদা থেংনরিবা কোভিদ কেসশিংগী চাদা ৮০ হেন্না ভেরিয়েন্ট অসিনা থোকহনবনি হায়না ইনৌ নৌনা লাউথোরক্লিবনি।

# বি জে পি এম এল এ ১০ সী এমনা কৌবা মীফমদা য়াওখিদ্রে

অগরটালা, জুন ২৭ (এজেন্সী):

ত্রিপুরাদা পোলিটিকেল ক্রাইসিস অমা থোক্লিঙৈ চৈরক্তা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব কুমার দেবনা কৌখিবা য়াম্না মরু ওইখিবা মীফম অমদা রুল্লিং বি জে পিগী এম এল এ ১০ শরুক য়াখিদ্রে।

রুল্লিং এম এল এ কয়া পার্টিগী লুচিংবশিংগী মায়োক্তা ঈরাং হৌরক্লিঙৈ মরক অসিদা কুমজা ২০২৩ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলদা পার্টিগী এম এল এ ৩৬ মক্কী সপোর্ট ফংনবগীদমক্তা চীফ মিনিষ্টরনা মীফম অদু কৌখিবনি। ত্রিপুরা এসেমব্লিগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা বি জে পিগী এম এল এ ৩৬ কী মনুংদা দিসিদেন্ট লেজিসলেটরশিং-সুদিপ রোয় বর্ম্মন অমসুং রাম প্রসাদ কোর য়াওনা এম এল এ ১০ লাকখিদে।

বি জে পিগী নেস্নেল জেনরেল সেক্রেটরি ওর্গনাইজে সন বি এল সন্তোসনা হৌখিবা জুন ১৫ দা কেপিটেল অগরটালাদা লৈবা বি জে পি হেদ ক্বার্টরসতা মিনিষ্টর অমসুং এম এল এ পুম্নমক্কী মীফম অমা কৌখ্রবা মতুংদা খোঙথাং অসি লাকখিবনি। সান্তোসকী ত্রিপুরা খোঙচৎকী মতুংদা রোয় বর্ম্মন গুৱাহাটিদা পাইশিনখি অমসুং মহাক্না অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মাগা উন্নখি। মদুগী মতুংদা মহাক ন্যু দেল্লীদা অমুক চৎখি অমসুং পুং ২৪ গী মনুংদা অমুক হল্লকখি। দেল্লীগী খোঙচৎ অদু মহাক্না শেংনা তাকথোকখিদে।

# কলিটাদা বেষ্ট এক্ত্রেস এৱার্দ পীরকখ্রে

গুৱাহাটি, জুন ২৭ (এজেন্সী):

অসামগী লক্ষিম্পুর দিষ্ট্রিক্টকী ধাকুৱাখানাদা লৈবী চহী ২২ শুৱবী নুপীমচা শিবরানি কলিটানা কন্নাদাগী ওটোৱাদা পাঙথোকপা ওটোৱা ইন্দিয়ন ইন্তরনেস্নেল ফিল্ম ফেষ্টিবেলদা বেষ্ট এক্ত্রেস এৱার্দ ফংদুনা ষ্টেট অসিগী অমসুং লৈবাক অসিগী মিংচৎ পুরকপা ঙমখ্রে।


ক্রিপাল কলিটানা দিরেক্সন পীবা অসামিজ ফিল্ম 'ব্রিজ' তা মহাক্না লৌখিবা রোলগীদমক ধাকুৱাখানাগী বলাইগাউন্দ ভিলেজ দা লৈবী নুপীমচা অসিদা লেমজ নিংঙাই ওইরবা এৱার্দ অসি পীরকখিবনি। নোর্থ লক্ষিম্পুরগী দিপার্টমেন্টল ষ্টোর অমদা থবক তৌরিবী সিবরাণী এৱার্দ অসি ফংবগী পাউ তাবদা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোরকখি। মদু কেমেরাগী মমাংদা মহাক্না উৎখিবা অহানবা পর্ফোমেন্সনি। মহাক্কী ফিল্মগী কেরিয়রগী অহানবা খোঙথাংদা এৱার্দ অসি ফংদুনা মায় পাকপা অসিদা য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই হায়না সিবরাণীনা ফোঙদোরকখি।

# ৰেদ পান্দা থাদোকখ্রে

ইটানগর, জুন ২৭ (এজেন্সী):

হন্দক্তা অরুনাচল প্রদেশকী সী-য়োমি দিষ্ট্রিক্টকী তুরেল অমদগী রেস্ক্যু তৌখিবা অঙাংবা পান্দা অমা থাংজ নুমিত্তা উমংগী মফম অমদা থাদোকখ্রে। অঙাংবা পান্দা অদুনা উমংদা থাদোকপগী ভিদিও অমা সোসল মীদিয়াদা ভাইরেল ওইখ্রে। ভিদিও অদু ইন্দিয়ন ফোরেষ্ট সার্ভিস ওফিসর রামেস পান্দেনা ত্বিটরদা সিয়ার তৌরকখিবনি।

## CROSSWORD-3823



### ACROSS

1 Coloured pencils (7)
5 Heartless (5)
8 Stand-offish (5)
9 Apparition (7)
10 Sports coach (7)
11 Tentacled sea creature (5)
12 Cad (6)
14 Not wearing shoes (6)
18 Asian country (5)
20 Funny (7)
22 Rude (7)
23 Performing (5)
24 Correspond (5)
25 Accomplish a goal (7)

### DOWN

1 Prattle (7)
2 Fragrance (5)
3 Crime (7)
4 Splendid (6)
5 Anarchy (5)
6 Falsehood (7)
7 Disabled (5)
13 Representative (7)
15 Wandering (7)
16 Inundated (7)
17 Weighing machine (6)
18 Pleasure trip (5)
19 Manual worker (5)
21 Rebuke (5)

Solution 3822



SOLUTION ON NEXT ISSUE

# HUEIYEN SUDOKU

## Hueiyen Sudoku-3622

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 4 | 2 | | 6 | | | | 3 |
| 6 | | | | | | | 9 | |
| | 1 | | 9 | 3 | | | | 6 |
| 1 | | | | 9 | | | | |
| | 9 | | | 5 | | | 7 | |
| | | | | 4 | | | | 1 |
| 7 | | | | 1 | 8 | | 6 | |
| | 6 | | | | | | | 7 |
| 2 | | | | 7 | | 3 | 1 | 8 |

## Solution-3621

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 2 | 1 | 4 | 8 | 7 | 5 | 3 | 9 |
| 8 | 3 | 9 | 1 | 5 | 6 | 2 | 4 | 7 |
| 4 | 5 | 7 | 2 | 3 | 9 | 8 | 1 | 6 |
| 3 | 9 | 6 | 8 | 2 | 4 | 1 | 7 | 5 |
| 1 | 8 | 4 | 7 | 6 | 5 | 3 | 9 | 2 |
| 2 | 7 | 5 | 3 | 9 | 1 | 6 | 8 | 4 |
| 9 | 1 | 3 | 5 | 4 | 2 | 7 | 6 | 8 |
| 7 | 6 | 2 | 9 | 1 | 8 | 4 | 5 | 3 |
| 5 | 4 | 8 | 6 | 7 | 3 | 9 | 2 | 1 |

# কোভিদ-১৯ না মপুরোইবা কায়নহনখ্রবা নুপীশিংদা অসাম লৈঙাক্না লুপা লাক্ষ ২.৫/২.৫ পীরগনি: হিমন্ত বিস্বা

গুৱাহাটি, জুন ২৭ (এজেন্সী):

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা মপুরোইবা শিহনখ্রবা নুপীশিংনা হিংবদা মতেং ওইনবগীদমক লৈঙাক্না লুপা লাক্ষ ২.৫/২.৫ গী মতেং পীরগনি হায়না অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মানা ঙসি লাউথোকখ্রে।

হিমন্ত বিস্বনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিদগী মমল য়াম্লবা মীওই কয়া অরেম্বদা শিহনখ্রে। লায়না লাইচৎ অসি মপুং ফানা কন্ত্রোল তৌনবা হোৎনরবসু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মায় পাকপা ঙমদ্রি। মরম অদুনা মীয়াম য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তারি।



কোভিদ-১৯ না মরম ওইরগা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীওই কয়াগী মরী মতাশিং অমদি মমা-মপা, মচা ওইবশিং শিহনখ্রে। মরু ওইনা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মপুরোইবা শিহনখ্রবা নুপীশিংদা অচৌবা চৈথেং পীরি। মখোয়শিং অদুগী য়েংলগা লৈঙাক্না অমুক্তদা মপুরোইবা কায়নখ্রবী নুপীশিংদা লুপা লাক্ষ ২.৫/২.৫ কী শেনফম খুৎশিন্ননবা ফিরেপ লৌখিবনি।

অদুমওইনমক অসাম লৈঙাক্না পীগদৌরিবা খুদোংচাবা অসি অসামগী রেসিদেন্স ওইগদবনি। অসামদা লাক্লগা থবক শুরগা হিংলিবা মীওইশিংগী ওইনদি খুদোংচাবা অসি লৈত্রি। অদুগা লৈখিদ্রবা মীওই অদু কোভিদ-১৯ না শিখিবনি হায়বগী সার্টিফিকেট অমা ষ্টেট লেভেল কোভিদ দেথ ওদিট বোর্দনা পীরক্কদবনি। হায়রিবা সার্টিফিকেট অসি পায়দবা মীওইশিংদি খুদোংচাবা অসি ফংবা য়ারোই।

চহী অমগী ওইনা লুপা লাক্ষ ৫ গী মখাদা ইনকম লাকপা ইমুংশিংদা খুদোংচাবা অসি পীগনি। কোভিদ-১৯ না মরম ওইরগা মপুরোইবা শিহনখ্রবশিংগী মনুংদা গভর্ণমেন্টকী থবক তৌবা নুপীশিংগী ওইনদি খুদোংচাবা অসি লৈরোই হায়রি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা অসামদা লৈরিবা মপুরোইবা কায়নখ্রবা খুদোংচাবা অসি ফংবা য়াবা নুপীশিং মশক খঙদোক্নবগীদমক লৈঙাক্না মরী লৈনবা ওফিসলশিংদা খঙহনখিবগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট দিষ্ট্রিক্টকী দি সীশিংদসু খঙহনখ্রে হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিশিংনা খুদোংচাবা অসি ফংবা য়াবা নুপীশিং মশক খঙদোক্লগা চীফ মিনিষ্টরদা হকথেংননা দোকুমেন্টশিং অদু খুৎশিন্নরক্কদবনি। দি সীশিংনসু য়াম্না চেকশিন্না স্ক্রিনিং তৌরবা মতুং চে চাংশিং অদু পীশিল্লক্কদবনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মীয়াম্না য়ারিবমখৈ লৈঙাক্না শেমখিবা কোভিদ-১৯ গা মরী লৈনবা চৎনা কাঙলোনশিং ঙাক্না চৎনবা আপীল তৌরক্লি।

## HUEIYEN EMPLOYMENT NEWS

RPSC Recruitment 2021: Rajasthan Public Service Commission (RPSC), Government of Rajasthan invites applications from eligible candidates for recruitment of Head Master Praveshika School (Sanskrit Education) 2021. The online registration process will be start from 14th June 2021 to 13th July 2021.
Rajasthan Head Master Praveshika School (Sanskrit Edu.) Competative Exam 2021
Name of the Post
Total Vacancies
Head Master
83
Age Limit:
21 to 40 years as on 1st July 2022.
Age Relaxation: 05 years for Male candidates belonging to the SC, ST, OBC, MBC and Economically Weaker sections of Rajasthan state, Women candidates of all other state; 10 years for Women candidates belonging to the SC, ST, OBC, MBC and Economically Weaker sections of Rajasthan state; No Upper age limit for Widow and Divorcee Women.
Pay Scale: Pay Level L-14
Educational Qualifications:
Second Class in Shastri/ Bachelor's degree (Science/ Arts group) having minimum 48% marks and Shiksha Shastri/ Degree or Diploma in education recognized by National Council for Teacher Education.
Minimum 5 years' teaching experience in any School.
Working knowledge of Hindi written in Devnagari Script and knowledge of Rajasthani Culture.
Selection Process: Competitive Examination (Online / Offline) (Objective Type)
How to Apply: Eligible Interested candidates apply online through RPSC Rajasthan Registration Portal (sso.rajasthan.gov.in) from 14th June 2021. The last date for registration of online applications is 13/07/2021 up to 12:00 PM.

GETCO Junior Engineer Recruitment 2021: Gujarat Energy Transmission Corporation Limited (GETCO) Baroda invites online applications from eligible candidates for recruitment posts of Vidyut Sahayak (Junior Engineer) in Civil / Electrical disciplines. The Online Registration process will be start from 18th June 2021. Apply within 21 days from the date of opening of online application link.
Name of the Post
Total Vacancies
Vidyut Sahayak (Junior Engineer) Electrical
300
Vidyut Sahayak (Junior Engineer) Civil
52
Age Limit: (As on 10/06/2021)
35 years for UR
40 years for SC, ST, SEBC, EWS
Age Relaxation: 05 years for Female, 10 years for Pwd.
Fixed Remuneration
1st Year: ? 37,000/- p.m.
2nd to 5th Year: ? 39,000/- p.m.
Educational Qualification and Experience:
Junior Engineer (Electrical):
B.E. (Electrical) / B.Tech (Electrical) / B.E (Electricals & Electronics) / B.Tech.(Electricals & Electronics).
Full Time Regular Course only from Recognized University with minimum 55% aggregate marks of 7th and 8th Semester exam passed at First Trial without ATKT.
Junior Engineer (Civil):
B.E. (Civil) / B.Tech (Civil) Full Time Regular Course only from Recognized University.
Minimum 55% aggregate marks of 7th and 8th Semester exam passed at First Trial without ATKT.
Selection Process: Shortlisted candidates will be called for Online Test.
Application Fee:
500/- inclusive of GST.
250/- inclusive of GST.
The fee will be accepted through online mode only.
How to Apply: Eligible Candidates are required to submit Online Application only, compulsorily through getcogujarat.com from 18th June 2021. The candidates shall have to generate Registration ID online by filling-up the online Application Form.The candidates should retain the printout of Registration Form and the same shall be required at all stages during recruitment process. The last date for submission of online applications will be 08/07/2021.

DFCCIL Recruitment 2021 www.dfccil.gov.in: Dedicated Freight Corridor Corporation of India Limited (DFCCIL) invites online applications from eligible Indian Citizens for recruitment of following Junior Manager, Executive and Junior Executives in various disciplines. The last date for registration of online applications is 23rd May 2021. Due to 2nd wave of COVID-19, the last date for registration of online application has been extended up to 23rd July 2021.
Advertisement No. 04/2021
Name of Post
Total Vacancies
Junior Managers
111
Executives
442
Junior Executives
521
Discipline wise Vacancies:
Junior Managers: Civil - 31, Operations & BD - 77, Mechanical - 03.
Executives: Civil - 73, Electrical - 42, Signal & Telecommunication - 87, Operations & BD - 237, Mechanical - 03.
Junior Executives: Electrical - 135, Signal & Telecommunication - 147, Operations & BD - 225, Mechanical - 14.
Age Limit: (As on 01/01/2021)
18 to 30 years for Executive and Junior Executive posts.
18 to 27 years for Junior Manager.
Pay Scales:
Junior Managers: ? 50,000 - 1,60,000 (E-2)
Executives: ? 30,000 - 1,20,000 (E-0)
Junior Executives: ? 25,000 - 68,000 (N-5)
Educational Qualifications:
Junior Managers:
(1) For Civil / Mechanical: Bachelor's Degree (B.E.) in Civil Engineering with not less than 60% marks in aggregate.
(2) For Operations & BD: 02 years MBA / PGDBA / PGDBM / PGDM in Marketing / Business Operation / Customer Relation / Finance with not less than 60% marks in aggregate.
Executives:
(1) 03 years Diploma in relevant engineering discipline.
(2) For Operations & BD: Graduation (Bachelor's Degree) with not less than 60% marks.
Junior Executives:
(1) Matriculation / 10th class pass with not less than 60% marks in aggregate.
(2) Minimum 02 years ITI year duration Course Completed Act Apprenticeship/ ITI approved by SCVT/ NCVT in any relevant trade.
Selection Process:
Computer Based Test (CBT)
Document Verification
Interview
Medical Test
Application Fee:
1000/- for Junior Manager, Rs 900/- for Executive and Rs 700/- for Junior Executive posts.
No fee for SC / ST / PwBD / Ex-Servicemen candidates.
The fee can be made through online mode only using Debit card, Credit cards or Internet Banking through SBI MOPS.
How to Apply: Eligible candidates are required to apply online through DFCCIL official website (dfccil.com) from 24th April 2021. The Candidates should have a valid personal e-mail ID and Mobile number. The last date for registration of online applications is 23/05/2021 up to 23:45 Hours. The last date for registration of online application has been extended up to 23/07/2021 till 23:45 Hours.

